# ৱারীমচা

## হৌদোঙ অমুবী

*এন রঞ্জনা*

মণিদু ঙসিদি পুরা চোকথরে। ওফিস্তা কোক শাবা থবক ময়াম অমা, অদুদগী নহারোলগী দিমান্দ, ঙসাই মন্ত্রিনা কন্না চৈরকপদুসু মীগী কোক্তগী থোকউ য়াদ্রে।

ঙাইহাক পোখাবা য়াত্রা য়েংগে খন্দুনা ওফিস কুল্লক্লগা চাক্কা অমত্তা চাদবমখৈ ফমুংদা মমীৎ উইশিন্দুনা লোংনা হীপ্লি। মাগী নুপী কমলাসু মঙ অমনি খন্দুনা মনাক্তা চঙশিন্দুনা ফমুং মথক্তা ফল্লে। মণিদি তুমিন লেঙদে, অদুম মমীৎ উইশিল্লগা হীপ্লি।

কমলানা মণিগী মশমশিংদু তপ্না তপ্না মাগী খূৎশাশিংদুনা মচা খায়দোক্তুনা নাল্লি।

"তুমথখিনু ৱারী খরা শাখিসি।"

কমলানা তপ্না শোল্লি।

"ঙাইখো লাঙলকখিনু। ঐ মথা য়াম্না শারি। শ্বায়দগা অমুক্তা চঙলকখিনু।"

খোন্দু কল্লপ থারকই মণিদু মাগী নুপীদা।

কমলাসু ইঙক হেক ঙক্লে। হন্দক মরকসি মণিসি কৈনোমা ইতৌ তৌই। মহৌশাগসু ইমান মান্নদে। মানা ৱা অমা ইচম চম্না হংলুবসু নীংথি নুঙাইনা হেক খুন্নক্তে। তুমিন তৌদৌবা খরা তৌরন্নগা শৎ হেক্তা থোকখি। হোয়নি মাইনি, তাথোক তাশিন তৌরক্তবা কুইরে।

মণিনা শারিবা কোকসিদি কমলানদি খঙবা নত্তে। নোংমতসু নুপীদা হায়দে। মবুক য়াম্না চেৎপা মণিনি। অৱাবা, নুংঙাইতবা, অনাবা লৈরফাওবদা মী ৱাখিনি হায়দুনা মীঙোন্দা হায়দোক্তবসি মাগী হৈনবীনি। থবক্কী শারিবা কোক, লাক্লিবা দিমান্দ, মন্ত্রিনা নীয়ম ৱাংমা লান্না পীরক্লিবা ওর্দর পূন্নমকসি নোংমতা মাগী নুপীদা ৱারী শাদোক্তে। হন্দক্তি অশাবা ৱাখলসি খরা হেনমন্দনা মণিসু মহৌশাগী মণিদু ওইদরে।

কৈনোমা হায় য়াদে। পঙশাওদা শাউই কমলাদা।

"নশক্তু য়েংনীংদে থোকখ্রো।"

"অঙাং লাঙহনগনু তানীংদে।"

অসিগুম্বা ঙাক্তা ঙাঙলক্লিবসি কুইশিল্লক্লে।

কমলাদি পুরা ৱারৌরে। মখোল নীক্লা হংই।

"ঐখোয় অনীবু হৌজিক কায়নবা নহাক ঙন্নগদ্রা।"

"ঙহাক পোখাগে তৌবসিদা, ফরক তুরক তৌরক্লনু তানীংদে।" হায়রন্নগা ঙাইহাক লৈরগা মণিদি চাননা নুংঙাইনা তুমথোকখ্রে।

কমলা য়ূমসিগী য়ূম্বুরেম্বীনি। মমা মপানা হায়ন–শীংনদুনা মণিদা থাজরকখিবনি। য়ূমগী চাকথোঙ ফিশু, মনেম্বোক মকুবোক্কী সেবা, মচাশিংগী শোয়দনবা য়েংশিনবা মাগী মথৌনি। য়ূমগী কুপনোমদা লৈকাই কোয়বা ঙাইহাক্তা ফাওবা শংজদে। নুমিৎ চুপ্পা ৱারুরবসু মপুরোইবনা লুনা চান্না হেক তৌবিবদা ৱাখিবা পূন্নমক কাউথোকপা ঙল্লিবনি।

হন্দক্কী মণিনা মঙোন্দা চৎলিবা শাজৎ, মঙোন্দা কয়া খোয়জংদবগুম তৌরক্লিবসি মাসু পূমঙক ঙকই। মণিগী অমরোমদা শারিবা কোকসি খঙননবা মাগী ৱাখলসু লৈতে। চুমদ্রিং চৎচবী কমলানি। করিগুম্বদা অরুবা ৱাফম খল্লুবদা মানা হেন্না পাখৎখিদুনা ৱাহ্নদুনা ঈশিং চাইদুনা লাক্লবসু য়াওখ্রবনি।

কমলাগী ৱারৌসিদি অনৌ–অনৌবা পাম্বা, নুপী লৈনা লৈনা অতোপ্পা নুপী থিদুনা অনীশুবা য়ূম লিংবা কয়া'মা লৈরিবনি।

হন্দক্কী মণিনা মঙোন্দা থওই–ৱাওইদবসিদি হেক্তা কন্না চিংনরে। ইনক নক্লা মখারোম তাদা গোপালনা নুপী অতোনবী অমা পুশিল্লকপদুসু কুইদ্রি। নুপী অনীদুগী খৎনবনা নুমিৎ খুদিং লৈকাই কূক্ষে ওইনরিবনি।

মাগা লুনা তিন্নজবী মমান্নবী সুমতীদু অঙাং উনবা ইকুই কুইদনা লৈখিদ্রে। শোরাৎ নোংঙানবগী উৎসব য়াওদবা য়াদে হায়দনা নহান্দু য়াওরুবনি। নুমিৎতুদা মাগী নিপাদুনা 'নুপী অমা থিদবা য়াদ্রে অঙাং য়োকপীনবা' হায়দনা শেলহৌবদু নীংশিংদুনা লৈরি। মপূক্লীংদা সুমতীগী মচাদুগী মরমদা কপখি।

মফাং মফাং কদায়দগী লাকপা ৱাখলনো খঙদে। কমলাগী পূক্লীংদা চিংনবতনা থনখ্রে। নাক য়েৎতা থোক্লিবা থৌদোক কয়ানা মাগী পূক্লীংদুসু লৈতাবা ঙমহন্দ্রে।

মথন্তা হংজে...

"মাগীসিবু অতোপ্পা নুপীগী ৱাখলনা ঙাওরব্রা?" তৌথোরক্লিবা শাজৎ, মাবু থওইরক্ত্রিবা, মহৌশাগা মান্নদবা মওংশিংসিনা কমলাদা পুরা থাজহল্লে। অহিং চুপ্পা মীৎ কক্লা অমত্তা উইশিনবা য়াদ্রে।

ইশি শিনা নাখোক্তুনা তুম্লিবা মণিদা অমুক মুন্না য়েংই। নোংঙাল্লমদায় ওইরকপগী অদুৱাইদদি কমলাদু ৱাখল খনবমখৈ খল্লুরগা তুমথখরে।

মকে ফজনা শেন্নবী, সাড়ী শেৎপী নুপী অনীখক থোঙ্গালদা চঙলক্লিবদু কমলানা থোঙনাওদগী উই। কনাগুম্বা অমা থিরকপা মাল্লি। মানা মাঙ্গোলদা থোরকপদদি নুপীশিংদু শুমাঙ য়ৌশিল্লক্লে।

"তামো মণিগী য়ূমসিবু অসি ওইবিরব্রা?" মরেপ ৱাংবী পিশুম মুনা য়েকপীদুনা হংলকই।

"মানি। আ করি তাকপীগদবা?"

"তামো মণিগী, ইনম্মা?"

"হোয়, ঐ মাগী নুপীনি।"

"ৱারী অরুবা অমত্তা শাজগে লাকপনি।"

নুপী অনীদু ইমুংদা চঙনীংবগী মওংদা ইঙ্গিৎ তৌই। খা–ৱাং লৈদুনা মী অতোপ্পা লৈব্রা হায়না য়েংবসু মাল্লি।

কমলাদু খরা চিংনরপ তৌই। মখোয়' ৱারীসি খরা লুদৌ মাল্লি। ফম্ফম কাদা নুপী অনীদু পুশিন্দুনা সোফাদা ফমহল্লি। মাসু ফম্মী। "ইনম্মা, ৱারৌবিবদি য়াদে। ৱাফম অরুবা অমত্তা তমজগে লাকপনি।" মমায় কোয়বী মশক খরা ফজবী নহাদুনা হৌদোরকই।

"তামো মণিসে য়াম্না ফৈ, চাউথোকপা হৈজদে। ওফিসার অচৌবা ওইজরবসু মখাদা থবক তৌজরিবী ঐখোয়বু মচন মচাগুম্না লোয়নবী।"

কমলা তুমিন্না তারি। মখা করি তারক্কনি হায়বদু হৌজিক ফাওবা মাগী ৱাখলনা লাম্বা ফংদে, খৌরাংনা ঙাই মখা তারকপদু।

"হন্দক থা অনীগী ত্রেনিং অমা শিল্লোংদা চৎলুবদুদা থেংনরকপা ওইরমাল্লে।"

"আ, নুপীদু খরা তৌবা ঙম্বী ওইরমাল্লে। মচা অহুম লৈনা লৈনা অতোপ্পা নিপা অমদসু অমুক মতম খরা ময়ূম পাল্লুরমাল্লে।"

কমলা খুমদে তুমিন্না অদুম তারি। মখা করি তারক্কনি খনবদা মশাদু নীকই। মমায় ঈমুক ঙাঙশিল্লকই। মণিগী অহোবা শাজৎ পূন্নমক অশেংবা ওইনা উখোল্লুরে খল্লি।

খরা ৱাংবীদুনা মখা অমুক শমথরকই।

"ইনম্মা, ত্রেনিং মনুংদগী মখোয় অনীগী মরীসি অসুম লৈনরক্লমাল্লে।"

"অদু হৌজিক্লা করি তৌরবা?"

কমলানা খোঞ্জেল পীক্লা হংই।

"থা মরিরোম হায়রক্লমাল্লে, নুপীদু হৌজিক মপামদা মমাগা লৈমিন্নরি।"

কমলাগী মশাদু থক থক নীকখ্রে। ইতাউ তাউবগুম তরঙ মালঙদা মখা তারকপা ঙাইরি।

"মানা অঙাংসি তামো মণিগীনি হায়রমাল্লে। মমাদু ঙরাং ওফিস্তা লাক্লম্মী। মাবু লৌশিন্দ্রবদি নহারোল তাক্লগা অপাম্বা থবক পায়খৎলনি হায়রম্মী।"

কমলাদু করিমত্তা খুন্নক্তে। মমীৎ অনীদু লৈখাদা মুন্না য়েংলি।

"তামো মণিনসু য়ূমদা পুশিনবসি পাল্লমাল্লে। ইনম্মদা ৱাফমসে ফোঙদোকপা ঙমদদনা ঐখোয়বু অমুক্তং মতেং পাঙবিয়ু হায়বদগী লাকচবনি। অদুবু মসিদা য়াম্না পূক্লীং থৌগৎচবগী ৱাদি নত্তে। তামো মণিনা হায়মনবদগী লাকচবনি।"

কমলা মকোক উরু উরু লৈবগুম তৌই। মমীৎ তন্দন পাইখৎলকই।

"অসুক চাউবা মীনম্বা নমথাক" ফুনগৎলক্লবা শ্বরদু তপ্না ফাথনবা হোৎনৈ, হায়রকই– "ঐ অমুক্তা খন্থজরকখিগে, লেঙবীখিবা য়ারনি।"

ফল্লম্বদগী সোফাদা হীপথৈ। নুপী অনীদুসু তফিং–তফিং থোকখ্রে। কমলাসু মওন–মওন খনবা হৌরে। ৱাফমসি অসি য়ৌরবদদি লায়দ্রে।

মাগী নিপানা নুপী অনী লোনবা। ইমুং অমত্তদা নুপী অনী লোন্নবী। মথন্তা খনবদা হঙ্গোইবা পোকই। অমা নৎত্রগা অমদি থোকপা তাই। অদুবু খল্লি মাগী মফমদি চাউনা লৈরি। অহল–লমননা হায়ন–শীংনদুনা লৈবাক পূংজাউ থীন্দুনা লাকখিবনি।

মপান্দা গাড়ী খামখিবগী মখোল অমা তাই। কমলা সোফাদা হীপ্লম্বদগী হৌগত্তুনা ফম্মী। মশম মনাসু ইফা ফারে। কুইনা কপ্লুবগী মমায়দুসু ইপোম পোল্লে। মপান্দা থোক্তুনা কনা লাক্লিবগে হায়বদু য়েংনীংবগী ৱাখল মঙোন্দা পোক্তে। উংদুনা ফল্লি।

মণি ইমুংদা চঙলকই। মথন্তা নত্তে। মতুংদা নুপী ইমু মুবী অমা হাওফি অঙাঙবা অমা ইল্লদুনা লেপ্লি।

কমলা নুপীদুদা চেপথদুনা হায়ফেৎ য়েংই– "শকথীবী হৌদোঙ অমুবী মানবী, নঙগীদমক্তা ওইরে মানা নহানমখৈদগী ঙাওরিবসে। মবেম্মা ঐবু থওইদবা শারদনা, ওক্তবীসিনা করি হেল্লদনা।"

মণিদা ওনশিল্লি– "ফরে, মাগী মাগী অপাম্বনি। অদুবু ঐদি মীখা থাদুনা লৈগদবা নুপীদি নত্তে। অপাম্বা অমা হায়য়ু, মা নৎত্রগা ঐ।"

"কমলা, ঐহাক শোয়রবনি। নহাক্লা ঙাকপীবা নত্তনা উপাই লৈতে। নঙনা ঐবু অমুক্তদি ঙাকপীয়ু। মতম খরদং নখোয় অনী পুন্না লৈমিন্নবা ঙম্ব্রা য়েংউ।"

মতাংসি য়ৌশিল্লক্লবদি কমলাদু চুম্না লেপ্পা ঙম্লক্তে। মশা থক থক নীক্লক্লে।

"করি পুন্না লৈমিন্নবা? ওইথোক্তবনি। মদু ঐ খাঙবা শুকঙম ঙগ্লোই হায়রিসিনি।"

মখা তাবা ঙমদনা মফম মরাঙ খঙদনা অমম্বদা চেম্থোরক্লে। পুখ্রিদা চোংথদুনা শিরুরগে সিনি মানা খল্লিবসু।

মণিনা মতুংদা কন্না তান্নরকই। শুমাঙ মতোন্দা শুপকোন কোনশিন্দুনা ফায়।

"ঐ শিবনা শরুক চাম্মা হেন্না ফৈ, শিবনা শরুক চাম্মা হেন্না ফৈ।"

"কমলা, কমলা।" মণিনা মশাদু পায়দুনা নোন্নি। কমলাদি মমঙদা কন্না কপ্লি।

তপ্না তপ্না মীৎ পাঙথোরকই।

"কৈদৌরে, অদুক কন্না কপ্লিদি! মঙদা করি উরে?"

মসিগী মঙসিদি তমথোকপা ইকায় কমলাদু। তপ্না মমায় নাকল অমরোমদা ওম্থোক্লগা খুন্নকই– "মঙদা হৌদোঙ অমুবী অমনা কোয়তান তান্নরম্মী।"

---

# শৈরেং

## শজিবু থানা লাকপদা

*– দোনেশ্বর কোন্সম*

শজিবু থানা লাকপদা
কুম অমগী লৈরাংশিং
মতম ওইরে শাৎলক্লে
চৈরাউ কৈথেল কারক্লে
য়েংউ য়েংউ হো কারক্লে।

লাপ্না তাম্না খোঙদোইরকপা
মায়থোঙ চিংনা য়েংনরি
হৌমিন–কামিন্নরকপীশিং
কুমওন অমগী ৱারী
নোক্লা নোক্লা লীনরি
তারো তারো হো লীনরি।

লৈশং লৈরি কৌনরি
কোম্বীরৈ কুশুম্লৈ নোক্লরি
অৱা–অনা কাউনরি
কুম অমগী খুদোলনি
নোক্লা নোক্লা পানরি
য়েংউ য়েংউ হো পীনরি।

## খঙমন্নসূ খঙদেদা

*– ইরোম মোবি*

ইরোল লৈ
ইয়েক লৈ
লাইনীং লৈ
ফিজেৎ তোপ– তোপ্পী
থকসি–খাসি থৌগল্লোল ৱাত্তে
য়ূম্বাল্লোন কূপ্পা লৈ
নুপাগী নুপীগী থৌদাং চাউই
নাৎনা তাবু পানা লৈ
অদুবু ইশানা ইশক খঙদবদগী
মীরমগী মরম তাঙলি
কোলকটাদা নোং তারগা
ইম্ফালদা ছাটিন তুপ্লি।

## মীয়ামগী শক্তি

*– তোলচৌ শমজেৎশাবম*

গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক্তা
মীয়ামগী শক্তিনা মচাওরে।
হেনবোই নীংই প্রধান মন্ত্রিনা,
লৈরি মথক্তা রাষ্ট্রপটি।
মহেল্লব্রা রাষ্ট্রপটিনা চাউবসি,
হেন্দে লৈরি সংবিধান।
সংবিধানগী নীয়ম ৱাংমদা
করিসু ঙমদে রাষ্ট্রপতিনা।
মথক্তা লৈত্রব্রা সংবিধানগী,
মঙোন্দে হেন্না চাউবসি?
সংবিধানগী মথক্তা লৈবদি
প্রজা মীয়াম্মি লৈবাক্কী।
মীয়াম্মা য়ারক্ত্র মতমদা
সংবিধান মানা কৈদৌনি।
গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক্তা
মীয়ামগী শক্তিনা মচাউরে।

## ঈপোম

*– লাইশ্রম দেবেন*

অৱা–নুংঙাই ঈপোম তাম্থালক্তা
লোন্না লোন্না থম্মোয় লৈকোলদা
নীংখা তম্না জগোয় শারিবী
ইকায় খঙদবী কনাই মচানো?

থম্মোয় ইরাং হৌইদা নঙবু
লৈফম চাফম খঙদে নিতিগী
কায়হৌরসনু লোন্না থম্মোয়সে
নোকখিনি অখঙবা কনানা।

সমুদ্র ইপোমদি উরুবা মীৎকুপ্তা
হকচাং পূম্বা তুজুংনা নাই ঙাই
উরুবদা পূক্লীং শুক্ষৎলি
কাউখ্রে পুন্সি ৱারী নীংশিংহল্লি
কাউবা ঙমদে মহৌশা ফজবা
ঈপাক্কী ঈপোমদা নুমিৎনা য়ৈবদা
কোঙ্গোল থিনবমক ইরং–লং
মীৎফম হোঙবা মঙমদে
ঈপাক নঙগী 'গুণসে।

## পুন্সি শিন্থা চৎলিবা

*– তবানু খুরাইজম*

পুন্সি শিন্থা চৎলিবা
লমখাংদা নোংবু নঙলবা
পামেল উখাদা পল্লুনু
উফুল পকপা উনাগী নোংলিক্লা
মোৎকনি হকচাংদা তারকপদা
ফৎত্রবা চীঞ্জাক্লা লময়ৌনা
হৈনখ্রবা কনাগা নক্করুনু
মনম মহাওনা চীঞ্জাক্তুগী
নোংমা শোয়দনা চুরক্কনি
মচু শংদ্রিবা থম্মোয়দা।
মরুপ ওইবৈ ৱাহৈনা
শংখিবা তারবা মচুদো
কোলোই ফনা চামদুনা
থাংখিবা খোঙথাং কয়াসু
খোঙফম হন্দোকপা ঙল্লক্লোই
পুন্সি শিন্থা চৎলিবা।
হকচাংদা ফিজোলনা মোৎলবা
ৱাখল লম্ফাংনা চৎলবা
উখা মখা পন্থনা
অহাও য়াতোন তংলবা
অখাক অরাউ লাকপদা
অৱা চৈথেঙ খাংঙল্লোই।
পুন্সি লম্বী চৎলিবা
খুয়া তিঙ্খং য়ূদনা
নুংঙাই খোঙদাফম ওইহনসি
ঙসি হয়েং খঙদবা
পুন্সি লম্বী খোঙচৎনি
অহান অকোন নাইবতনি
অফবা ৱাখলনা চৈশু ওই
পন্থুং খোঙকাপ হুল্লদি
পুন্সি লম্বেল লানগনি।

## তীল

*নিংথেম পিশক*

নশাগীনি খন্না চারিবা
মীগীদমক নহুম হাইরিবা
তীল, তীল
লৈমতীল
চারো নবুক থন্না
হুনবিগে নচীঞ্জাক ৱাত্তনা
হিংঙুকো নপুন্সিদো মীগীদমক
খৈনা য়াঙ্কোকথকসিদা।

---

# তাবুনুংদগী

*মৈতৈশিংনা ফাইরেন থাগী অহানবা নোং খোংবগী মায়কৈ মতুং ইন্না কুম অদুগী নোংজু নুংশাগী ফীভম লেপ্পগী থাজনবী লৈরম্মী। মসিবু 'কুম তম্বা' কৌই। নোং খোঙখিবা মায়কৈগী মতুং ইন্না কুম অদুগী নোংজু নুংশাগী ফীভম লেপ্নরম্বদু ঙসিগী ওইনা তাবুংদগী লৌখৎচরি।*

১। মায়কৈ ঙাকপা লাই কৌব্রুনা লৈবা মায়কৈদা অহানবা নোংখোঙ তারবদি কৌব্রুনা কুমতম্বা কৌই। চহীসিদা নোং মরাঙ কায়না পাক–শন্না তাগনি। ঈশিং ঈচাউ থোক্কনি। ইপা–ইপু হাক্তক্তগী থাজনরক্লিবদি– লাইনিংথৌ কৌব্রুদি অৱাংবা চীংদা লৈ। তম্পাক লমদা ঈশিং লৈবা উদে। অদুনা ঈশিং ৱাৎলে খন্দুনা ঈশিং য়াম্না পীরিবনি।

২। অহানবা নোংখোঙসি অৱাং নোংচুম মায়কৈদা তারবদি চহীসি কৌনুনা কুম তম্বা কৌই। চহীসিদা নোং কা হেন্নসু তারোই। ঈশিংগী অৱাৎপসু লৈরোই। ঈচাউ থোক্লোই। ফৌ মরাঙ কায়না থোক্কনি।

৩। নোংচুপ মায়কৈদা অহানবা নোংখোঙসি তারবদি লোয়ালাকপনা কুমদম্বা কৌই। চহীসিদা কা হেন্না কনবা নোং–নুংশিৎ অমদি অখাক–অরাও থোক্কনি। চহীসিদা উচেক ক্লাকসু মহুম নুংশিৎনা হুমদোকখিদনবা মকোন শাবদা পাম্বীগী অনেম্বা শরুক্তা শাই।

৪। অহানবা নোংখোঙসি খা– নোংচুপ্তা তারবদি ইবুধৌ থাংজিংনা কুমদম্বা কৌই। চহীসিদা নোং তাবগী চাং ৱাৎকনি। ঈশিং লিক্কনি। ঈকং থোকপা য়াওই। চাক তাংবা থোকপা য়াই। পারী–পুরী হাক্তক্তগী থাজনরক্লিবা ৱারোলদি– পাক্লবা ঈশিং ঈপাক্লা লৈতেংদুনতা লৈবা লোক্তাক পাৎপু ইবুধৌ থাংজিংনা মতম পুম্বদা শকচান্নদুনা লৈ। ঈশিংগী অৱাৎপা লৈতে। নোংগী তঙাইফদবা লৈতে হায়না খল্লি। অদুনা ঈশিং পীদে।

---

# মণিপুরী পাৎছে–পাউরৌ, পাউতাক

* **কাবা মতোন লোন্নগা কুম্বা নাইবনি।**
  – কল্লে হৈরে ঙম্লে হায়দুনা নাপল তৌরুবা মমৈদা অমুক লৈখা তারকপা।
* **কাবুনা বাবুনি।**
  – মতাং মফম চাবদা কান্নবা লৌবা হৈরবদি ওইজরে।
* **কাবদা দোলাই কূম্বদা শগোল তোংবা।**
  – নুংঙাই য়াইফবা ফমথোল অচৌবা পায়বা মী।
* **কাবক কাবকপনা মমৈদা থূৎ লাওই।**
  – থবক চঙখোন্না মপূং ফানা তৌদ্রবদি মমৈদা ফাগী তাদুনা তোকই।
* **কাবো নুংঙাইরে।**
  – মী অমনা তৌবা থবক শোয়রগা অতোপ্পা মী অমনা কল্লক পেনবা।
* **কায়র–কায় তোইর– তোই।**
  – মাঙগেরা খোৎকেরা মায়োক্নরগে হায়না খনবা।
* **কায়বু কায়রুদ্রবদি মাদি মথক্তা (মকোক্তা) নেৎলফাও য়াবনি।**
  – মীদুগী ফত্তনবা তৌরুদ্রবদি মী হায়বসি ইফদা ফৈ।
* **কায়নরগা নোকপা ঙম্মী।**
  – থম্মোয় কনবা নুংশি হৈতবা মী।
* **কাচিন পোৎফাক।**
  – অরেং–অরেংবা চারগা কান্নবা লৌবা।
  – মী উহন্নীংদনা লোন্না তৌবা থবক।
* **কাচিন কোয়া থুংদবা (য়ৌদবা)**
  – থবক তৌবদা শমজিনবা চেকশিন্দবা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

---

# চানক্য নীতি

– বেদগী জ্ঞানবু হুল্লিবা, শাস্ত্রগী তুং ইন্দুনা হিংববু নোক্লরিবা, অইংবা–অতপ্পা মীবু থীনা হায়রিবা মীদো অৱাবা ফংবনি, (মখোয়না তৌরিবদুদগী তোংজবা লৈতবনি)।
– দান তৌবনা লায়রবা কোক্লে, লমচৎ ফজবনা খুদোংথীবা কোকহল্লি। লৌশিংনা খঙদববু মাঙহল্লি অমসুং থাজবনা অকিববু লাকশিল্লি।
– অপাম্বগা মান্নবা লায়না লৈতে, শুক্ষৎপগা মান্নবা য়েক্লবা লৈতে, অশাউবগা মান্নবা মৈ লৈতে, জ্ঞানগা মান্নবা নুংঙাইবা লৈতে।
– মীনা মতোমতা পোকই মতোমতা শি, মশাগী অফ–ফত্ত কর্ম ফল মশানা চাজে। মশানা নরক তাজে, নৎত্রগা মোক্ষ ফংজে।
– ব্রহ্ম খঙবা মীনা স্বর্গবু নাপীগুম খল্লি, অথৌবশিংনা পুন্সিবু নাপীগুম খল্লি, ইন্দ্রিয় খুদুম চনবশিংনা নুপীবু অদুগা সংসারদা পাম্বীদ্রবা মীনা জগৎপু নাপীগুম খল্লি।
– লংফৈদা মহৈনা মরুপ্নি, য়ূমদা নুপী (মতু) না মরুপ্নি, নারগনা হিদাক্লা মরুপ্নি অদুগা শিরবদি ধর্মনা মরুপ্নি।
– সমুদ্রদা তাবা নোং অরেম্বনি, পুক থল্লবদা চীঞ্জাক অরেম্বনি, লল্লৈবদা পীবা অরেম্বনি অদুগা নুংথিলদা থানবা মৈ অরেম্বনি।
– নোংগী ঈশিংমুক শেংবা লৈতে, আত্মগা মান্ননা পাঙ্গনবা লৈতে, মীৎকা মান্নবা মঙান লৈতে অদুগা ফৌগা মান্ননা নুংশিবা লৈতে।
– লায়রবনা লন পাম্মী, শানা ৱা ঙাংনীংই, মীওইবনা স্বর্গ পাম্মী অদুগা লাইনা মোক্ষ পাম্মী।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

---

# মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

১০৬. চহী ৪ গী মনুংদা অমুক্তা ওইবা–
১০৭. মপুন্সি তঙ্খাই চনবদা চাউবা মপূং ফাবা–
১০৮. মমা নমথীবীনা মচা রাধিকা পোকপা–
১০৯. মশাগী অওবা মশানা অমুক চাশঞ্জবা–
১১০. অমদগী অমা চৎলগা অনী তাবা–
১১১. শরূনা পন্থিংবা ইরোই অঙাঙবনা লৈওনবা–
১১২. মুল্লে মুল্লেদি হায়নবা চাবদি য়াদবা–
১১৩. মমিৎ চাম্মা পানবনা চীং কাবা–
১১৪. ময়াই কোয়বী কিশি মানবী অয়োহী–
১১৫. মশানা মশাগী মমিং পংকৌদা কৌবা–
১১৬. মপোক অমদা মশক অনীরক ওনবা–
১১৭. খূৎনা হেন্দল পায়রগা চিন্না মমায় চুম্বা–

***মমাঙ নোংমাইজিং (১৪–০৪–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

৯৪. ইলেক্ট্রিক বল্ব ঙানবা।
৯৫. মিং।
৯৬. থৱান্মীচাক।
৯৭. চোঙারাবা।
৯৮. চিনগী লৈ।
৯৯. য়েরুম।
১০০. নুমিৎ তাখিবা থা– থোরকপা।
১০১. মোমবতি চাকপা।
১০২. নুমিৎ–থা।
১০৩. য়োৎশবী।
১০৪. কাংথোল।
১০৫. য়োংচাক।

---

# কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **হকচাং কংথহনবিগে হায়রবদি?**

থোইদোকপা লায়না–তীলনাদি লৈতনা অয়াম্বা মতমদা চামন–থকমনবদগী নৎত্রগা অৱাবা থবক শুমনদবদগী হকচাং নোই– পেনমল্লবদি চম্প্রা মপুম অমগী মহীদা খোইহী চামচ অমা য়ানশিল্লগা ঈশিং য়াওনা নৎত্রগা য়াওদনা নুংতিগী অয়ূক–অয়ূক চাং নাইনা থকপিয়ু, হকচাং ময়েং শোয়দনা তারক্কনি।

* **হকচাং নোয়খৎহনবিগে হায়রবদি?**

অদোমগী হকচাং থোইদোকপা লায়না–তীলনাদি লৈতনা চিরি–য়াঙ্গংদুনা লৈরগদি নুমিদাং তুল্লমদায় খুদিং শঙ্গোম গ্লাস অমদা খোইহী চামচ অমমম য়ানশিনবিরগা থকপিয়ু, নুমিৎ খরনিগী মনুংদা হকচাং শোয়দনা নোইখৎলক্কনি থাজবিয়ু।

* **হকচাংগী মশলদা চিকপা–নাবা তৌরবদি?**

নোংমানখা অঙৌবগী মনা ঈশিংদা ফূত্তোকপিরগা চিক্লী–নারিবা মশলগী মফম অদুদা থোম্বীয়ু।

* **হকচাংদা ৱং চুশিনখ্রবদি?**

হকচাংগী খূৎ– খোঙনচিংবা মফমদা তৈশীন–চুশিনখ্রবা রংগী মচুবু ইরায়–লায়না কোকহনবিগে হায়রবদি চুরিবা মফমদুদা শঙ্গোম অফম্বা (দহী) তৈশীনবিরগা মিনিট অনী–অহুমদং ঙাইবিয়ু, অদুগা তৈথোকপীয়ু।

* **হয়িং পাইশিনহনবিরোই হায়রবদি?**

কালেন্থা চঙলকপগী শাগৎলক্লি মতীক ইমুংগী চাকখুমগুম্বা মফমদা হয়িং পাইশিল্লকপসু অসুম–অসুম হেনগৎলক্কনি। মদুগুম্বদগী ঙাকথোকপিগে হায়রবদি– হয়িং চঙহনবিনীংদবা মফম–মফমশিং অদুদা নোইখাইরপ–নোইখাইরপ তৌরবা নুংশিহীদাক মপুন মচা অমমম থম্বীয়ু। হয়িংনা খ্বাইদগী পামজদবা মনম অমা হায়বা তারবদি নুংশিহিদাক্কী মনমসু অমনি।

*(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক "কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু" দগী লৌথোকচবা)*

---

# চয়োল্পসিগী ফাগী

**পাউখুমদ্রিবা ৱাহং!!**

মণিপুর রাইফলসতা নৌনা সিফাই খল্লকপা কাঙবু অমা ত্রেনিং চখৈ। ত্রেনিং মনুংগী ক্লাস অমদা নোংমা ইন্স্ট্রক্তরনা অশাংবা লেকচর চখৈ– জৱানশিংনা লানফম খুদিংমক্তা অকিবা পোক্লোইদবনি, চেং মৱ্ব খুদিংমক্তা চাবীনবা মীওইগী মমিং ইদুনা লৈ হায়নবগুম নোংমৈ মৱ্ব খুদিংমক্তসু মদুনা পান্দুনা শিগদবা মীওইগী মিং ই হায়নরিবনি, অদুনা জৱান খুদিংমক্লা লানফম খুদিংমক্তা নোংমৈনা পানবা য়াই হায়বগী অকিবা ৱাখল পোক্লোইদবনি, করিনা হায়রবদা পৃথিবীদা শারিবা নোংমৈ মৱ্ব কোটি–কোটিশিংগী মনুংদা ঐখোয় ইশাগী মিং ইরম্বা য়াবসি অমখক্তদনি, অনীশুবা হৌনদে, শুকই ইরগ্লোইদবসু কোঙ্গাইনি, অদুনা ইশাগী মিং ইরমগদবা গুলিদু থেংনদ্রিবা ফাওবদি, ঐখোয়না করিগুম্বা অমত্তনা মাঙহনবা ঙগ্লোই... মদুদা জৱান অমনা (মরক থৎনা)– হুজুর বোমগী মচেৎশিংদসু পাল্লগদবা মীগী মিং ইরমগদ্রা?

**অশেংবা থৌনা!!**

ফুটবোলগী অফবা শান্নরোইনি হায়না লৈকাইনা শকখঙনরবা অমা শান্নবদা মখোঙ লৈথোকপদগী লৈকাইদা লৈবা খোঙ–খূৎ শম্বদা মিং লৈরবা মাইবা অমগীদা মমান্নবা অমগা লাকমিন্নৈ। মখোয়না মাইবগীদা থুংলবদা মাঙজৌননা লৈরন্নবা মীওই ২। ৩ খকসু মাইবদুনা শান্নরোইদুগী মমাঙমক্তদা মখোঙ মখূৎ অতেকপা শমখি, মদুদা অনাবশিংদু মাইবদুগী খূৎমেৎ লাকমেত্তা খাঙবা ঙম্নদবমখৈ ও খোংনা লাওনখি। মতুং শান্নরোইদুগী পালি লাক্লদুনা য়েংহনবদদি চেক– মোক লাওদনা তুমিন্না খাঙখি। মতৌদু উবদা লাকমিন্নবা মমান্নবদুনা খল্লি– "অশেংবা শান্নরোই হায়বদুগী লিংজেল হায়বদু সি ওইরেকো!" মতুং মাইবনা য়েংবা লোইরগা মখোয় অনী অমুক হল্লকমিন্নবদা মরুপ্তুনা শান্নরোইদুদা হংই–

**মরুপ** – ইতাও অতৈদি কপ্পবও লাওনবও খাঙনৈ, নঙদি কৈসু তৌদবদৌনা খাঙই, করিম নাদ্র?

**শান্নরোই** – অস ইতাও ঐনা শোক্লিবদি খুউদনি, মসি ডাক্তরনা ওইনা য়েংহল্লগে খন্দুনা খুজেংদা ওইনা য়েংহল্লক্লবনি।